# মথোল তরেৎ ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখায়বদা মীওই ৫ শিরে



**মুম্বাই, মার্চ ১৪ ঃ** মুম্বাই সহরগী নোংচুপ থংবা মতাইদা লৈবা সান্ত ক্রুজ লমদমদা মথোল তরেৎ ৱাংবা যুম অমা নিংখায়বদা মীওই মঙা শিখ্রে। থৌদোক অদু ঙসি ইরাই নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা থোকখিবনি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মীওই অমগী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। লৈখিদ্রবা মশক খঙদোক্লবা মীওই অদুদি সুধা শ্রীধরন (৩২) কৌবা মীওই অমনি হায়রি।

খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা যুম অদু কনামত্তা লৈতনবা খঙহনখ্রবসু বিল্ডিং অদুগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা মীওই খরা লৈরমখি। সঙ্কর লোক হায়না খঙনবা বিল্ডিং অদু ইভিক্সন তৌননবা খঙহনবা লৈখ্রে। ইং ২০০৭ তা হায়রিবা বিল্ডিং অদু খুদোংথিবা থোকপা য়াই হায়না চিংনবদগী বিল্ডিং অদুদা মীওইশিং হোংদোকখিনবা খঙহনখ্রবনি হায়রি।

ষ্টেট অদুগী হায় কোর্টনা ইমুং অনিগী মীওইশিং হায়রিবা মফম অদুদা মখোয় মখোয়গী মশাগী ওইবা দাইত্ব লৌজদুনা লৈহনবা য়াবগী ৱাফম ফোংদোকখি। অমরোমদা বোম্বে ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনসু থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা দাইত্ব লৌরোই হায়না ফোংদোকখ্রে। নিংখায়খিবা বিল্ডিং অদুগী থংনবদা স্লম অমা লৈ। কেসরকর অমসুং জগতাবকী ইমুংগী মীওইশিং নিংখায়খ্রবা বিল্ডিং অদুগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈখি।

বোম্বে ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মফম অদু খুদোংথিবা থোকপা য়াই খনবদগী লৈরিবা মীওইশিং অদু হোংদোকখিনবা খঙহনখি। মীখল লাকপগা মরী লৈননা লমদম অদুগী রাজনীতিৱালাশিংনা হিরম অদুদা মীৎয়েং চংশিল্লকখি। প্রিয়াদত্ত অমসুং পুনম মহাজননা থৌদোক থোকখ্রবা মফম অদুদা য়েংশিনবা লাকখি। হায়রিবা বিল্ডিং অদু বোম্বে ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মী লৈবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়না ফোংদোকখিবগা লোয়ননা বিল্ডিং অদু ইভিক্সন তৌননবা ৱাফমশিং ফোংদোরকখি। অদুম ওইনমক বিল্ডিং অদুদা লৈরিবা কেসরকর অমসুং জগতাপকী ইমুং মনুংশিংনা হায় কোর্টতা ইভিক্সনগী মায়োক্তা কেস থাঙ্গৎলকপগা লোয়ননা কোর্ট অদুনা ইভিক্সনগী ওর্দর অদু ষ্টে তৌখি। মদুগী মতুংদা ইমুং অনি অদু হায়রিবা মফম অদুদা লৈননবা অয়াবা পীখি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুদি সুরধা শ্রীধরননি। মহাক চহি ৩২ শুরবা নুপী অমনি হায়রি। থৌদোক অদুদা শোক্লে হায়রিবা মীওইশিং অদুনা অক্সে কেসরকর (১৮), সিতা কেসরকর (৬০) অমসুং রোহিনি জগতাব নি হায়রি।

## মাওইষ্টশিংনা বিহারগী থবক শুবা মীওই ৭ ফাখ্রে

*পাটনা, মার্চ ১৪ ঃ বিহারগী মনুং চনবা জমুই দিষ্ট্রিক্টতা থবক শুবা মীওই তরেৎ খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মাওইষ্টকী কাংবুনা ঙসি ইরাই নুমিত্তা ফাজিনখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।*

*থবক শুবা মীওইশিং অদু মফম অদুগী তুরেল খোংনুংদগী লৈঙোইশিং পুখৎনবা থবক তৌবনি। পটনাদগী কিলোমিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈবা নাভি নাগর খুঙ্গংদগী খুৎলায় পায়বা মাওইষ্টশিং অদুনা ফাদুনা পুখিবনি হায়রি। সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস রানানা হায়খিবদা, সি আর পি এফ কী কাংবুশিং য়াওবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী টিম অমনা ফাখিবা থবক শুবা মীওইশিং অদু কন্ননবা থবক লৌখৎখ্রে।*

*রানানা মখা তানা হায়খিবদা, মাওইষ্টকী খুৎলায় পায়বা কাংবু অদুনা লৈঙোই লৌখৎপা অমসুং তুরেল খোংনুং অদুদা থবক শুবা প্রোক্লেম মেছিনশিং মৈ থাদোক্লমখি হায়রি।*

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –৩

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখল্লা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিঙ্খা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

*__তওঁথিংমাং__ (খৃঃ ২৬৪–৩৬৪) ঃ খৃষ্টাব্দ ২৬৪ দা তওঁথিংমাংনা মপাগী মহুৎ শিন্দুনা মৈত্রবাক্কী নিংথৌ ওইখি। মহাক্না ময়াঙ্গ য়োইমোংবগা লোয়ননা তুরেল তেংলম্মী। মশানৌ তওঁথিংমাংবু নুং তাদবা ইরিল তুরেল মরী তেংহল্লগা ময়াঙ্গ য়োইমোংবনা তুরেল অচৌবা মরীল তেংলকপনা লিলোং য়ৌরকপদা অঙোম শাগৈগী খুৎকম পাঙ্গনবা ফুনাল তেলহৈবনা ঐগী লমদা তুরেল তেংবা য়ারোই থিংবদগী নোংচুপ পাংনা তৌদুনা চৎখি। ইরিল তুরেল তেংলকপা মনাও তওঁথিংমাংনা লিলোং য়ৌরকপদা মখা পাংনা চংকদবা তুরেল মফম হোংলগা নোংচুপলোমদা তৌখিবদু উবদা মহাক্কী মপুরিন্দা চিংনবা পোক্লম্মী। ফুনাল তেলহৈবা উবদা মানা থিংলঙ্গা তারে খল্লদুনা ময়াঙ্গ যংননবা ইরিল তুরেল মরীল অসি তুবৎ শমদুনা তৌগে হায়রক্লবদা ফুনাল তেলহৈবনা ঐগী ইলমদা তুরেল শমদুনা তৌবা য়ারোই থিংলে। অসুন্না মখোয় অনি ঙাহাক য়েংনরগা শাউদুনা মমৈথংদা লান শোক্লখি।*

*... মথং মথং*

# ছটিসগরদা কংগ্রেস পার্টিনা নেক্সেলগী এটেক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোঙজং চংশিনখ্রে



**রাইপুর, মার্চ ১৪ ঃ** ছটিশগরদা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা লেন্দমাইনশিং শেংদোক্লবা চথখিবা ওপরেসন অমদা মাওইষ্টশিংদা এটেক চথরক্তুনা সেক্যুরিটি পার্সোনেল ১৬ হাৎখিবা থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কংগ্রেস পার্টিনা ছটিসগরদা ঙসি ইরাই নুমিত্তা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথখিবনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে।

মথং থাদা পাংথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মাংওইননা মাওইষ্টকী রিবেলশিংনা মখোয়গী শক্তি উথোকপগী থৌরম অমা ওইনা লেন্দমাইন শেংদোক্লবা ওপরেসন চথখিবা সেক্যুরিটিগী কাংবুদা এটেক চথরক্তুনা মীওই ১৬ হাৎখি। ছটিসগরগী রিছোর্স কয়া লৈবা অশুকপা জঙ্গলগী লম্বীশিং অদুদা লৈবা মাইন্দ বোমশিং শেংদোক্লবা হোৎনবদা রিবেলশিং অদুনা এটেক চথরকখি।

কংগ্রেস পার্টিনা প্রোটেষ্ট চথখিবগী থৌওং অমা ওইনা লমদম অদুগী মীয়ামগী পাম্বোমদা অমুবা রিবল পুন্দুনা খোঙজং অদু চংশিনখি। কংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর বিকাশ উপধায়ানা থৌদোক অদুগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোংদোকপগা সিক্যুরিটিগী পার্সোনেলশিং লৈখিদবা অমদি মীচম অমা মাংখিবগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

কংগ্রেস পার্টিনা লমদম অদুদা স্ত্রাইক চংশিনখিবনা মরম ওইরগা অকায়বা কয়া থোকহনখি। পার্টি অদুনা সেক্যুরিটিগী মীওই ১৬ শিহনখিবা অমদি ত্রাইবেল কম্যুনিটিগী মীওই অমা লৈখিদবা থৌদোক অদুবা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লোয়ননা ষ্টেট অদুগী মীয়াম্নসু অদুগুম্বা খোঙজং অদুদা শৌগৎলক্লি হায়না উপধায়ানা ফোংদোরক্লি।

কংগ্রেস পার্টিগী মেম্বর অমা ওইরিবা কুলদিপ জুনেজানা ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর রমন সিংহবু ফম থাদোক্লবা দাবী তৌরক্লি। ষ্টেট অদুদা থোকখিবা মীশি মীনাগী থৌদোক অদুগী দাইত্ব লৌদুনা ফম থাদোক্কদবনি হায়না ফোংদোরক্লি। চিফ মিনিষ্টর অদু মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাফমদা ফম থাদোক্কদবনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মহাক্না ফম অদু কোন্দুনা লৈগদবা নত্তে। লমদম অদুদা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং শাফবা ওইদ্রে। মদু ওইরবদি মীচমশিংদদি করি ওইগনি। লমদম অদুগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা কংগ্রেস পার্টিনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা শৌগৎলক্লি হায়না উপধায়ানা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

# খৃষ্টান লম্বোইবী ইজ্জৎ মাংহনখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা মীওই ৩ দন্দি পীরগনি




**ভুবনেশ্বর, মার্চ ১৪ ঃ** ইং ২০০৮ দা কন্ধামান দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খৃষ্টান লম্বোইবী অমা গেং রেপ চথখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা ওদিশাগী কোর্ট অমনা মীওই অহুম মরাল লৈরে হায়না লাওথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজগী কোর্ট অদুনা মীওই অহুম অদু মরাল লৈরে হায়না ফোংদোরক্লি। মীওইশিং অদুদি মীটু পটনাইক, গজেন্দ্র দিগাল অমসুং সরোজ বধাইনি হায়রি।

মরাল লৈরবা মীওইশিং অদুগী দন্দি অদু মখোয়না তৌখিবা অরানবা থবকশিং অদুদা লেপ্পগা লোয়ননা মথংগী নুমিত্তা দন্দিশিং লাওথোক্কনি হায়রি। চহি ২৯ শুরবী কেথোলিককী লম্বোইবী অদুবু কনধমাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নুৱাগাওন খুঙ্গংদা ইজ্জৎ মাংহনবগী থৌদোক অদু চথখিবনি। থৌদোক অদু ইং ২০০৮ গী আগষ্ট ২৪ দা থোকখিবা কাংলুপকী ইরাংগা মরী লৈননা চথখিবনি হায়রি।

ভুভনেশ্বরদগী কিলোমিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা কাংলুপকী ইরাং অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শিহনখি। মদুগী মনুংদা বিশ্বাহিন্দু পরিষদগী লুচিংবা স্বামি লক্সমানানন্দ সরস্বতি অমসুং মহাক্কী তুংইনবা মীওই ৪ লৈখিদে।

অহানবদা ষ্টেট পুলিসনা মীশি অদুগী মতাংদা মাওইষ্টশিংদা মরাল শিখি। থোকখিবা থৌদোক অদুদা খৃষ্টান লাইনিং চৎপা মীওই ৩৮ হাৎখি। অদুগা অতোপ্পা লাইনিং অদুবু চৎপা মীওইশিংনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখি হায়রি।

খৃষ্টান লাইনিং চৎপা লম্বোইবী নুপী অদুবু গেং রেপ চথখিবা থৌদোক অদু অন্তরজাতিগী মফম কয়াদা ৱাথোক অমা ওইরকপগা লোয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনখি। অদুম ওইনমক কেস অদুগা মরী লৈননা ফাগৎলকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা তরুক্তি চপ চাবা প্রমান ফংদবদগী থাদোকখি। অদুগা মীওই অহুমবুনা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি।

# তরুন তেজপালনা বেল পীবিনবা হায়জরকখিবা হায় কোর্টনা য়াখিদ্রে



**পানাজি, মার্চ ১৪ ঃ** গোৱাগী পানাজিদা লৈবা ফাইভ ষ্টার হোটেল অমদা টেহলকাগী ফাউন্দর এদিটর তরুন তেজপালনা মহাক্কা থবক তৌমিন্নবা নহা ওইরিবী নুপী অমবু সেক্সুয়েল এসোল্ট চথখিবগী কেসকা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবা মীওই অদুনা বেল পীবিনবা থারকখিবা দরখাষ্ট অমা মুম্বাই হায় কোর্টনা ঙসি ইরাই নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে।

গোৱা বেঞ্চকী জষ্টিস য়ু ভি বাক্রেনা তেজপালনা বেল পীবিনবা থারকখিবা পেটিসন অদু য়াখিদে। তেজপাল হৌজিক হৌজিক পনাজিদগী কিলোমিটর ৩৫ রোম চৎলগা লৈবা বাস্কোগী সদাসব জেলদা কেস অদুগা মরী লৈননা লৈরিবা মীওইনি।

টেহলকাগী ফাউন্দর এদিটর তেজপাল মমাং চহিগী নভেম্বর ৩০ দা ফাগৎখি। মহাক্না বেল পীবিনবা থারকখিবা ৱারোলশিং অদু কোর্ট অদুনা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ঙসি অমুক হন্না থারকখিবা মহাক্কী হায়জবা অদু য়াখিদ্রে। তরুন তেজপালনা ঙরাং কোর্ট অদুদা মহাক্কী অপোকপী সকুন্টলা ব্রেন ট্যুমরনা নাবনা মরম ওইরগা অরোয়বা ষ্টেজদা হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। মদুগীদমক মহাক্কী মমাগা উন্নবগী অয়াবা পীবিনবা কোর্ট অদুদা হায়জরকখি। অদুম ওইনমক কোর্ট অদুনা মহাক্কী অপোকপীগা উন্নবা য়াবগী অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা তেজপালবু অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা হয়েং অয়ুক হোস্পিটাল অদুদা চৎননবগী অয়াবা পীখ্রে।

নুপী জর্নেলিষ্ট অমদা সেক্সুয়েল হরাসমেন চথখিবা অমদি নুপীগী ইকায় খুম্নবা মাংহনখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা চার্জসিট অমা গোৱা ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ফেব্রুৱারী ১৭ তা লানখৎলকখি। চৎলিবা থা অসিগী তরেৎতা তেজপাল বেল পীবিনবা হায়রকখিবা ৱাফম অদু য়াখিদে। কেস অদুগা মরী লৈনবা হিয়ারিং মার্চ ১২ দা চথরবা মতুং কোর্ট অদুনা মথংগী ৱায়েল অমা পীদ্রিবা ফাওবা হিয়ারিং অদু য়ৈথোকখি।

# জর্ম্মনি বেকরি ব্লাষ্টকা মরী লৈননা য়াসিন ভটকাল পুলিস কষ্টদিদা থমখ্রে

**পুনে, মার্চ ১৪ ঃ** ইং ২০১০ দা জর্ম্মন বেকরিদা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ফাজিন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান মুজাহিদিনগী কো ফাউন্দর য়াসিন ভটকাল পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ১৪ নি রিমান্দ লৌথনবগী অয়াবা কোর্টনা ঙসি ইরাই নুমিত্তা পীখ্রে।

একুজ ওইরিবা য়াসিন ভটকালগী উকিলনা ফোংদোকখিবদা, মহাক মুম্বাইদগী এদিসনেল সেসন জজ এস পি দারনেগী কোর্টতা পুথোক্লবগীদমক লাকখিবনি হায়খি। মহাক কোর্ট অদুনা চৎলিবা থা অসিগী ২৮ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থম্ননবা অয়াবা পীখ্রে।

এন্টি টেরোরিষ্ট কোর্টকী এ সি পি সন্টরাম টাইদেনা ভটকালবু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবা দরকার লৈ। মদুগীদমক মীওই অদুবু রিমান্দ পীবিনবা কোর্ট অদুদা হায়জখি।

শগোলশেল নুমিত্তা মহারাষ্ট্র কন্ত্রোল ওর্গনাইজেসন ক্রাইম এক্ট কোর্টনা জর্ম্মন বেকরি ব্লাষ্টকী কেস অদুগা মরী লৈননা ভটকালবু পুনেদা ত্রায়েল চথবা য়াননবা অয়াবা পীখি।

এন্টি টেরোরিজম স্কৱাটকী এ সি পি টাইদেনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, চহি ৩১ শুরবা ভটকালনা জর্ম্মন বেকরিগী বিল্ডিং মনুংদা বোম থমজিন্দুনা মীওই ১৭ হাৎখিবা অমদি ৬৩ না শোকহনখিবা কেস অদুগী চপ চাবা রিপোর্ট ফংলে। মদুগীদমক মখা তানা থিজিনবা দরকার লৈ।

ভটকালনা আর দি এক্স অদু করম্না ফংখিবনো হায়বদু থিগৎপা দরকার লৈ হায়খি। পুনেদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুগী মতুংদগী ভটকাল চহি অহুমলোম থিবা খঙদনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক মীওই অদু ইং ২০১৩ গী অগষ্ট থাদা ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা বোম পোকখায়বগী থৌদোক কয়া থোকখি। মদুগীদমক থিজিনবগী থবক চথরি। পুনে ব্লাষ্টকা মরী লৈননা ভটকাল ফারবসু থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা মীওই তরুক্তি ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি হায়রি।

# খৃষ্টান... 

# অৱাং নোংপোক লমদমদা লোক সভা মীখলগী অকনবা থবক লৌখৎনবা হৌখ্রে

**গুৱাহাটি, মার্চ ১৪ ঃ** লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ওইরিবা ১৬শুবা লোক সভা মীখলগী থবক থৌরমশিং অৱাং নোংপোক লমদমদসু চপ চানা ঈহৌ অদু লৈরে। মথং থাদা পাংথোক্কদৌরিবা মীখল অদুগা মরী লৈননা লমদম অসিগী মীয়াম্না মীখলগা মরী লৈননা থবক কয়া পায়খৎনরক্লি।

লমদম অদুদা শান্তি লৈবা চাউখৎপা অমা পুরক্লবগী ৱাখলদা মীয়াম্না শান্তি লৈবা মওংদা মীখল অদু পাংথোক্লবা শেম শারি। মথং থাগী ৭ তগী হৌনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ১৬শুবা জেনরেল ইলেক্সনগা মরী লৈননা মখোয়গী অপাম্বা মীশক খনবগী থবক চথরগনি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫৪৩ গী ভোট্টর ক্রোর ৮১ না তোঙান তোঙানবা ভোট থাদগদবা নুমিৎশিংদা মখোয়গী মীরেপ খনগদৌরি। অৱাং নোংপোক লমদমদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসন্না শাফবা অমদি অকি–অখং লৈতনা ভোট থাদহন্নবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলি।


THE MANIPUR TRUCK OWNERS' WELFARE ASSOCIATION
Mahatma-Gandhi Avenue, Imphal-795 001

অৱাবা ফোংদোকচবা



ঙসি তাং ১৪।৩।২০১৪ ইং, ইরাই নুমিত্তা মণিপুর ত্রক ওনরস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন্দা সেক্রেটরি ওইবিরম্বা শ্রীয়াম্বেম লোকেশ্বর সিংহনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা এমটিওদব্লিউএগী একজিক্যুটিভ মেম্বর, ষ্টাফশিংনা ঙসি তাং ১৪।৩।২০১৪ ইংগী পুং ২.৩০ তাবা মতমদা অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম পাংথোকপগা লোয়ননা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং–মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

*ফোংদোকচরিবা ঃ–*
ঐচ. রঞ্জিৎ সিংহ
*প্রসিদেন্ট*, এমটিওদব্লিউএ।

*এসএল–১১৯২।১৫,১৬*


# মাওইষ্টশিংনা বি জে পিগী এম এল এ অমগী পেট্রোল পম্প মৈ থাখ্রে



**মুরজাফরপুর, মার্চ ১৪ ঃ** বিহারগী মুজাফরপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বি জে পি এম এল এ অমগী পেট্রোল পম্প অমা মাওইষ্টশিংনা মৈ থাদোক্লুক্লে। খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মাওইষ্টকী কাদর ১৫ দগী ২০ ফাওবা ওইবা য়াবা মীওইশিংনা বি জে পিগী এম এল এ রাম সুরত রয়গী পেট্রোল পম্প অদু মৈ থাদোক্লমখি। হায়রিবা মফম অদু দিষ্ট্রিক্ট অদুগী হেদ ক্বার্টরদগী কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা লৈবা অহিয়াপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা থোকখিবনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এস এস পি সৌরব কুমারনা ফোংদোক্লককখিবদা, আইননা য়াদবা মাওইষ্টকী কাংবু অদুনা পেট্রোল পম্প অদুগী ষ্টাফমশিং ফাজিন্দুনা থম্লবা মতুং ওইল টেঙ্কর অমসুং পেট্রোল পম্প অদুগী শরুক কয়া মৈ থাদোক্লমখিবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

লাকখিবা মাওইষ্টকী কাংবুশিং অদুনা মীনুংশি য়াওদনা পেট্রোল পম্প অদুগী থবক তৌবা মীওইশিং ফুখি। লোয়ননা পম্প অদুবু অমাং অতা থোকহনবগা লোয়ননা মৈ থাদোক্লমখিবনি হায়না এস এস পি সৌরব কুমারনা ফোংদোরক্লি। পেট্রোল পম্প অদু মৈ থাদোক্লম্লবা মতুং মাওইষ্টশিং অদুনা বোচা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবদা লৈবা রায়গী লৈফমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগা লোয়ননা বোমসু পোকখায়হল্লমখি হায়না ফোংদোরক্লি।

ঔরাইগী লেজিসলেটর অদুগী পেট্রোল পম্প অমসুং য়ুমদা মাওইষ্টশিং অদুনা এটেক চথরমখি। মাওইষ্টশিংনা এটেক চথরকপা মতম অদুদা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচাশিং য়ুমদা লৈখি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদা অশোক অপনদি নংহৌদ্রে হায়রি।

মাওইষ্টশিং অদুনা থৌদোক অদু চথরল্লবা মতুং মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি। এস সি পি অমসুং মহাক্কী পুলিস ফোর্সশিংনা মফম অদু য়ৌরকপদা অরানবা তৌবা মীওইশিং অদু লৈরমদ্রে হায়না কুমারনা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা অহিয়াপুর পুলিস ষ্টেসন অমসুং বোচা পুলিস ষ্টেসন্দা তোঙান তোঙানবা কেস অমমম লৌখৎখ্রে হায়রি।


AVAILABLE BRICKS IN THE FOLLOWING PRIZE

| Class | Rate | Brick | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 9.50 | 3000 | Rs. 28500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 32100 |
| 1st | Rs. 9.50 | 2000 | Rs. 19000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 21400 |
| 1st | Rs. 9.50 | 1500 | Rs. 14250 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 16100 |
| 1st Rej. | Rs. 7.50 | 3000 | Rs. 22500 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 26100 |
| 1st Rej. | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 17400 |
| 1st Rej. | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 13100 |
| 2nd | Rs. 9.10 | 3000 | Rs. 27300 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 30900 |
| 2nd | Rs. 9.10 | 2000 | Rs. 18200 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 20600 |
| 2nd | Rs. 9.10 | 1500 | Rs. 13650 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 15500 |
| Peti | Rs. 6.90 | 3000 | Rs. 20700 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 24300 |
| Peti | Rs. 6.90 | 2000 | Rs. 13800 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 16200 |
| Peti | Rs. 6.90 | 1500 | Rs. 10350 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 12200 |
| 3rd | Rs. 3.90 | 3000 | Rs. 11700 | Rs. 3000 | Rs. 600 | Rs. 15300 |
| 3rd | Rs. 3.90 | 2000 | Rs. 7800 | Rs. 2000 | Rs. 400 | Rs. 10200 |
| 3rd | Rs. 3.90 | 1500 | Rs. 5850 | Rs. 1500 | Rs. 350 | Rs. 7700 |

Contact:- 9856052197, 9862048579 (Sunday closed & Phone switch off)
PIS Brick Field, Wangjing Saban Chekon Leikai